# সনামচা অমসুং সামিম সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে, অতোপ্পা মণিপুরগী ৪ মায়থীহৌরে





হিসার, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): হরয়ানাগী সিটি হিসারদা চথরিবা ৫শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী সনামচা থোকচোম অমসুং সামিম বানু খুল্লাকফম সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবী অতোপ্পা বোক্সর অশালাতা হুইনিংশুম্বম, বেবি রোজিসনা নাওরেম, এলিনা থৌনাওজম অমসুং মেনাকা নিংথৌজম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নমেন্ট ওইরিবা এলিট ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সনামচা থোকচোমনা কিলোগ্রাম ৭৫ (মিদল ৱেথ কেটগোরি)দা ঙসি হিমাচল প্রদেশকী বোক্সর এরিতা সেখরগা লম্বা তৌনবদা রাউন্দ অহুম অদুদা মহাক্না ফজবা হেনখিবদগী জজ মরিনা মহাক্কী ফেভরদা পোইন্ট হেন্না পীখিবা অদুগা জজ অমনা হিমাচল প্রদেশকী বোক্সর এরিতা সেখরদা পোইন্ট পীবনা মরম ওইরগা ৪-১দা মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী কিলোগ্রাম ৫৭ (ফেদর ৱেথ কেটগোরি)দা মণিপুরগী বোক্সর সামিম বানু খুল্লাকফমনা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা রাজস্থানগী বোক্সর সপনা শর্ম্মাগা লম্বা তৌনবদা হৌবদগী ফজবা হেনখি। অহানবা রাউন্দ অনী অদুদা মণিপুরগী বোক্সর সামিম বানুনা পোইন্ট হেল্লবসু মহাক্কী লম্বা ওইখিবী রাজস্থানগী সপনা শর্ম্মাসু য়াম্না কন্না খাঙদুনা লৈখি। অদুবু বাউট অদুগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌশিল্লকপদা মণিপুরগী বোক্সর সামিম বানুনা হেঞ্জিল্লকপদগী বাউট অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবা রেফরিনা রাজস্থানগী বোক্সর সপনাবু হেন্না শোল্লকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈবা মরম্না বাউট অদু লোইদ্রিঙৈদা মণিপুরগী বোক্সর অদুদা আর এস সী (রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্ট)দা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবদগী সামিম বানুসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাকপা ঙল্লকখ্রবী বেবি রোজিসনা নাওরেম রেলৱেজ স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (আর এস পি বি)গী বোক্সর সিক্সাগা লম্বা তৌনখিবা বাউট অদুদা রাউন্দ অহুম্মক অকনবা মওংদা লাম্হেংনরবা মতুং জজ মঙানা আর এস পি বিগী বোক্সর অদুদা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী রোজিসনা লৈহৌখি।

কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী অশালাতা হুইনিংশুম্বম দেল্লীগী বোক্সর লক্সমীগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ০-৫দা মায়থীহৌখি। লোয়ননা কিলোগ্রাম ৬৬তা মণিপুরগী এলিনা থৌনাওজম আর এস পি বিগী জ্যোটিগী মখূৎতা মায়থীরগা অতোপ্পা বোক্সর কিলোগ্রাম ৬৩গী মেনাকা নিংথৌজমসু আর এস পি বিগী বোক্সর মোনিকাগী মখূৎতা পোইন্ট ০-৫দা ক্বার্টর ফাইনেল মায়থীহৌখি।

# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লক্ষ্নৌ, দেল্লী অমসুং চেন্নাইদা কে আই এস সী ঈগী সেন্টর অপগ্রেদ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টরনা লিশাং শীৎনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংবু গ্রাসরুট লেভেলদগী থাক ৱাংনা শেমগৎনবা হোৎনবগী পান্দমদা শেমখিবা কে আই এস সী ঈ (খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস সেন্টরস ওফ এক্সলেন্স) হায়না শকখঙদুনা থমখিবশিংগী মনুংদা লক্ষ্নৌ, দেল্লী অমসুং চেন্নাইগী সেন্টরশিংদা লৈরিবশিং অদু অপগ্রেদ তৌখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্নৌদা লৈবা গুরু গোবিন্দ সিংহ স্পোর্টস কোলেজ, দেল্লীদা লৈরিবা ছাত্রসল ষ্টেদিয়ম অমসুং চেন্নাইদা লৈরিবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মবু নৌনা অপগ্রেদ তৌদুনা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস সেন্টরস ওফ এক্সলেন্সকী থাক্তা অপদ্রেগ তৌখ্রে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অসিনা মখা তারদুনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস সেন্টরস ওফ এক্সলেন্সকী হান্না লৈরম্বা মফম ২৪দগী নৌনা লক্ষ্নৌ, দেল্লী অমসুং চেন্নাইগী সেন্টরশিং অসি অপগ্রেদ তৌখিবদগী কে আই এস সী ঈগী সেন্টর ২৭ শুবা ঙমখি।

খোঙথাং অসি কুমজা ২০২৮ ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা লৈবাক অসিনা ইন্দিয়ানা মকোক থোংবা মেদল ফংবা লৈবাক ১০গী মনুংদা চন্ননবগী হোৎনরকপা পান্দম অমা ওইরিবনি। সেন্টরশিং অসিদা ক্বালিটি স্পোর্টস লৈননবা হায় পর্ফোর্মেন্স মেনেজরশিং লৈগদৌরি।

# ভিক্টর এজেলসেননা কেন্টো মোমোটা থোইদুনা দেনমার্ক ওপন টাইটল লৌখ্রে




ওদেন্স, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মগুণ লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ভিক্টর দেনমার্ক ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় ভিক্টর এজেলসেননা জপানগী কেন্টো মোমোটাবু মায়থীবা পীদুনা লৌখ্রে।

জপানগী কেন্টো মোমোটা টুর্নামেন্ট অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবতা নৎতনা রেঙ্কিংসু নম্বর ৱান ওইখিবনি। অমরোমদা মহাক্না ঙরাং নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা দেনমার্ককী ভিক্টর এজলসেনগা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা হৌবদগী লাকশিন্নবা ঙমদনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা গেম অদু শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট খূদিংমক ইন্নদুনা লাক্লবা মতুং পোইন্ট ২০-২০ ফাওবা লৈনরকপদগী কেন্টো মোমোটানা থংনবা পোইন্ট২ লৌরগা ২২-২০দা অহানবা গেম অদু থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা গেম অদুদসু অহানবা গেম অদুগা মান্ননা অমনা অমবু হেন্নখিদে। অদুবু দেনমার্ককী এজেলসেননা লাকশিনবা ঙল্লকপদগী জপানগী কেন্টো মোমোটানা পোইন্ট ১৮ য়ৌরকপদা মহাক্কী পোইন্ট ২১ য়ৌখিবদগী মায় পাক্তুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম অমমম্ থোইনরগা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শানখি।

অরোইবা গেম অদুদা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা ফজবা হেল্লকপদগী কেন্টো মোমোটাবু ২১-১২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল অদুনা জপানগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী অকানে য়ামাগুচিনা লৌবা ঙমখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী আন সিয়োংগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু অকনবা মওংদা লম্বা থেংনরগা পোইন্ট ১৮-২১দা মায়থীবা নংখি। অদুবু মখা তারকপা অনীশুবা গেমদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা অহানবা গেমদা শোত্থখিবা মায়কৈশিং অদু ফুগৎতুনা সাউথ কোরিয়াগী আন সিয়োংবু য়াম্না কন্না থোইদবা য়াদে হায়বগী মওংদা শান্নরকপা অদুনা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট ২৩-২৩ ফাওবা মান্নরকখি। য়ামাগুচিনা গেম অদুগী থংনবা পোইন্ট অনী লৌরগা ২৫-২৩দা থোইদুনা দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শাখি। মদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ১৬-৫দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় সিয়োং শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদবদগী টাইটল অদু য়ামাগুচিনা লৌখি।

নুপাগী দবলসতা জপানগী তাকুরো হোকি অমসুং কোবায়াসিনা টাইটল ফংখি। নুপীগী দবলসতনা চাইনাগী হ্বাং দোং অমসুং ঝেং য়ুনা লৌখি। অদুগা মিক্স দবলসতনা জপানগী ৱাটানাবে অমদি হিগাসিনোনা মকোক ওইখি।

# জলনধরদা পাঙথোকপা ২০শুবা জুনিয়র নেসনল ক্রুশু চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী টিমনা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস): চৎলিবা থা অসিগী ২০দগী ২৫ ফাওবা পঞ্জাবকী জলনধর সিটিদা পাঙথোকপা ২০শুবা জুনিয়র নেসনল ক্রুশু চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী টিমনা তাওলুদা গোল্ড ২৫, সিলভর ১৯ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ লোয়ননা সন্দাদা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংবা ঙমদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

তাওলুগী মায়কৈদা মণিপুরগী গোল্ড ফংবা ঙমখ্রবশিংগী মনুংদা ইচনতোম্বীনা চানক্বান, দাওসু অমসুং গুন্সুদা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমখি। নিংথৌজম খৃষ্টিনানা নান্দাওদা গোল্ড অমা লৌবা ঙমখি। লোয়ননা ওইনাম মালেমঙানবীনা তাইজিক্বান অমসুং তাইজিজিয়ানদা গোল্ড অমমম্ ফংখি। তাওলুগী গ্রুপ বিদা মণিপুরগী ঙাঙোম কাজলনা চানক্বান, দাওসু অমসুং গুন্সুদা গোল্ড অমমম্ ফংখি। গ্রুপ অদুগীদা কোন্সম জোনা প্রিন্সিনা তাইজিজিয়ানদা গোল্ড অমা ফংখি। গ্রুপ অদুগী ওইনা লৈমপোকপম নেলসন মৈতৈনা জিয়ান্সু অমসুং কিয়ান্সুদা গোল্ড অনী লৌখি। থৌঙম্বা অহৈবমনা চানক্বান অমসুং দাওসুদা গোল্ড অমমম্ ফংখি। গ্রুপ অদুমক্কী ৱাহেংবম ভুমেশ্বরনা তাইজিক্বান অমদি তাইজিজিয়ানদা গোল্ড অমমম্ লৌরবা মতুং ওক্রম ইয়ানথোইনা নানক্বান, নান্দাও অমদি নাগুনদা গোল্ড অমমম্ ফংখি।

কুংফু ইভেন্টতা মণিপুরগী শান্নরোয় মাইস্নাম দাইমন্দনা চেন ষ্টাইলদা গোল্ড মেদল ১ ফংখি। নোংমাইথেম নীংথিবনা দাদৌদা গোল্ড অমসু লৌবা ঙমখি। লোয়ননা কেরোলিনা চিংঙাখমনা চেন ষ্টাইলদা গোল্ড মেদল অমসু লৌখি।

সান্দাগী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী ক্রুশু শান্নরোয়শিংগী মনুংদা য়ুঠ বোইজকী ওইনা কিলোগ্রাম ৫৬তা লাইশ্রম ন্যুটননা গোল্ড মেদল অমা লৌখি। কিলোগ্রাম ৬৫দা লোংজম বোইতোননা সিলভর ফংলগা কিলোগ্রাম ৬০ অমসুং ৭৫দা মণিপুরগী ক্রুশু শান্নরোয় থোকচোম মালেমঙানবা অমদি সোইবম মঙলেমনা ব্রোঞ্জ অমমম্ লৌখি।

সান্দা য়ুঠ গর্লসকীদা তোইজম প্রিয়ালক্সমীনা কেজি ৬০দা গোল্ড লোয়ননা সান্দা জুনিয়র বোইজতা নরেশ নোংমাইথেম অমসুং য়েংখোম অর্নোল্ডনা গোল্ড অমমম্ ফংখি।

# য়ুরোপিয়ন টাইটল ফংবদগী সিন্নর এ টি পি ফাইনেলসকী তাঞ্জা লৈরি

রোম, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): টেন্নিস মশান্নগী ওইনা নুপাগী টেন্নিসগী ওইবা সিজন লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা এ টি পি ফাইনেলসতা ইটালিগী জানিক সিন্নরনা ঙরাং য়ুরোপিয়ন ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিবদগী শরুক য়াবগী খূদোংচাবা অমা শেমখ্রে।

মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবা ইটালিগী শান্নরোয় জানিক সিন্নরনা ঙরাং বেলজিয়মগী কোনুং এন্টরেপতা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় দিএগো স্বার্টসমেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ৬-২, ৬-২দা মায় পাক্লগা মশাগী করিয়রগী ৫রক শুবা এ টি পি টুর টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

জানিক সিন্নরনা য়ুরোপিয়ন টুর ফাইনেল অদু লৌবা ঙমখিবদগী টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা নুপাগী সিঙ্গলস অদুদা য়ুরোপিয়ন টুরগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বদগী পোইন্ট হেন্না ফংবা ঙল্লক্তুনা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা লৈরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মমিং লৈরবা টেন্নিসকী শান্নরোয় কয়া শরুক য়ারি। মখোয়শিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ, য়ু এস ওপন টেন্নিস গ্রান্দস্লামগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভ, গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টেফানোস সিসিপাস, মাটিও বেরেনিটি, রুট অমসুং হুবর্ট হর্কাজনা মহাক্কী মেটচশিং অদু মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরি।

ৱর্ল্ড এ টি পি টুর ফাইনেলসকী ওইনা সিজন অসিদা তোঙান-তোঙানবা টুর অসিগী ওইবা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপদা মকোক থোংবতা নৎতনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা পোইন্ট হেন্না ফংলিবা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

# রিয়াল সোসাইদেদ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চৎখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): স্পেনগী মকোক থোংবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরিবা লা লিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নবা মেটচ অমদা রিয়াল সোসাইদেদ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

দ্রো চৎখ্রবা রিয়াল সোসাইদেদনা লা লিগাগী ওইনা পূন্না মেটচ ১০ শান্নবদা পোইন্ট ২১ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লে। পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা মমাংদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা রিয়াল মাদ্রিদ মেটচ ৯দা পোইন্ট ২০ ফংলগা লৈরি। মখোয়গী মথংদা সেভিয়াগী টিমসু পোইন্ট ২০ ফংখিবনি।

লীগ অসিগী মখা তারকপদা মকোক থোংলিবা মেটচ ১০দা পোইন্ট ২১ ফংলিবা রিয়াল মাদ্রিদ মখা তানা অচৌবা মায় পাকপা ঙল্লবদি লীগ অসিগী ওইনা টাইটল লৌনবগী লম্বেল শেম্বা হৌরে হায়না লৌফম থোকই। মীয়াম্না খন্নবদা মেসি য়াওদ্রবা বর্সেলোনাগী টিমনা রিয়াল মাদ্রিদ টিমদা কা-হেন্না প্রেসর পীবা ঙম্লোইদবনা রিয়াল মাদ্রিদকী খূদোংচাবা য়াম্না লৈরি।

লা লিগাগী পোইন্ট টেবলদা রিয়াল সোসাইদেদনা মেটচ ১০দা পোইন্ট ২১ ফংলগা মাঙজিল থাবা ঙল্লি। মখোয়না ঙরাং শান্নখিবা লম্বাদা এটলেটিকো মাদ্রিদকা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎতুনা লীগ টেবলদা মখোয় ৪শুবদা লৈখি।

# অসাম রাইফলসনা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শীনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুরগী অসাম রাইফলস বট্টালিয়ননা 'ফাইটিং দ্রগস থ্রু স্পোর্টস' হায়বা থিমদা হেংকোটতা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা মায় পাক্না শীনখ্রে।

ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অদু অসাম রাইফলসকী চুড়াচান্দপুর বট্টালিয়নগী শান্নরোয়শিংগা হেংকোট য়ুঠ ক্লবকী শান্নরোয়শিংগা শান্নখিবনি।

অসাম রাইফলসনা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অদু মফম অদুদা লৈরিবা নহাশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী মায়োক্তা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নদুনা শীনখিবনি হায়রি। নহাশিংনা শান্নবগী মতেংনা দ্রগ শীজিন্নরম্বদগী নাথৈদুনা মশাগী অফবা লম্বেলশিং শেম্নবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংখিবনি। থৌরম অদুদা হেংকোট য়ুঠ ক্লব অমসুং শান্নরোয়শিংনা অসাম রাইফলসপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# কাংমোংদা ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংমোংদা লৈবা কজাও লম্পাক্তা কাংমোং য়ুঠ ৱেলফ্যেরক্লবনা শীন্দুনা ফাইব এ সাইদ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৩২না শরুক য়াদুনা মকোক থোংনবা হোৎনগদৌরি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিদগী প্রো. এস নন্দোনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা মেকোলা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিটায়র্দ লেকচর এম জয়কুমার অমসুং প্রো. এম ইবোয়াইমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট এম জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কাংমোংগী মফম অসি স্পোর্টসকী লম্দা মাঙজিল থারিবা মফম অমনি। লোয়ননা ফুটবোল মশান্না অসিদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা ঙল্লিবা অসি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লূপশিংনা থৱায় হকচাং য়াওবদগীনি হায়খি।

ঙসি অহানবা মেটচতা কে ৱাই দল্লিয়ু সী কাংমোং অমসুং খুম্বোং ৱাই সী শান্নখি।

# খো-খো ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১০দগীনা ১২ ফাওবা নাগালেন্দগী দি দি এস সী ষ্টেদিয়ম দিমাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট জোন সিনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ (মেন এন্দ ৱিমেন) ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্ননবা খো-খো ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দিমাপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট জোন সিনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিম খন্ননবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা কৈবী হৈক্রুকপালদা লৈবা আর ৱাই সীগী শান্নবুংদা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি। মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুগা মরী লৈননা ক্লব/য়ুনিটশিংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী ফেদরেসনগী ওইবা আই দি নম্বর য়াওরগা লাক্কদবনি হায়রি।

# চেষ্ট নম্বর লৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): ওক্টোবর ৩০ অমসুং ৩১দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরিবা মাষ্টর এথলিটশিংনা মখোয়-মখোয়গী চেষ্ট নম্বর লৌরবা য়াগনি হায়না মাষ্টরস এথলেটিক্স এসোসিএসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮গী অয়ূক পুং ৭ তাগী ১০ ফাওবা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

# রেফরি রিক্রুটমেন্ট কম রিফ্রেশর কোর্স অম্ফাগী মীৎয়েং মখাদা ফুনাল সম্বুমদা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা ওল মরিং স্পোর্টস এসোসিএসননা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ফুনাল সম্বুম ভিলেজকী শান্নবুংদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৮ ফাওবা রেফরি রিক্রুটমেন্ট কম রিফ্রেশর কোর্স হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল এ সীগী এম এল এ, দি কোরুংথাংনা চীফ গেষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গোলজাওনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট লোয়ননা অম্ফাগী দিরেক্টর কম্পিটিসন্স ওইরিবা ঐচ মেঘচন্দ্র অমসুং ওল মরিং স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে এস লৈনাইখমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পূন্না রেফরি ৩৭ অমসুং ইন্সট্রক্টর ২ য়াওনা থা অসিগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রেফরি রিক্রুটমেন্ট কম রিফ্রেশর কোর্স অদুদা শরুকয়াখি।

পনবা য়াবদি, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা মফম অদুদা চথরিবা রেফরি রিক্রুটমেন্ট কম রিফ্রেশর কোর্স অদুগীদমক্তা ইন্সট্রক্টর ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ইন্সট্রক্টর ওইরিবা আই রবিচন্দ্র অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী রেফরি ইন্সট্রক্টর ওইরিবা এম মাঘোনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী রেফরিশিংদা তাকপী-তন্বীগদৌরি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন সঞ্জিৎ বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা শান্নরোয় অমগা লোয়ননা বাই ফংখ্রে

বেলগ্রেদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): সর্ভিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ওইবা সেদ্যুল্ড লাউথোরকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর এসিয়ন চেম্পিয়ন সঞ্জিৎ অমসুং করিয়রগী অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারিবা সচিনকুমার অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রে।

বেলগ্রেদকী মেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না অফবা অমদি মশীং য়াম্বা বোক্সরশিং শরুক য়াবা ঙল্লিবনি। এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরিবা কিলোগ্রাম ৯২গী বোক্সর সঞ্জিৎ ঙসি ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা লাউথোকখিবা সেদ্যুল্ডদা মহাক অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংখিবনি। মহাক্তা নৎতনা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মশাগী করিয়রগী অহানবা ওইনা শরুক য়ারক্লিবা কিলোগ্রাম ৮০গী বোক্সর সচিনকুমারসু য়াওখি।


সচিনকুমারনা বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী বোক্সর রোবি গোঞ্জালেসকা ওক্টোবর ৩০দা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনগদৌরি। অমরোমদা, এসিয়ন চেম্পিয়ন সঞ্জিৎনা থা অসিগী ২৯দা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা বাউটতা রসিয়াগী বোক্সর এন্দ্রি ষ্টোস্কিগা থেংনগদৌরি।

বেলগ্রেদকী নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা লৈবাক ১০০দগী লাকপা বোক্সর ৬০০ হেনবনা লম্বা তৌনরিবনি। বোক্সরশিং অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌননবা হোৎনবদা রাউন্দ অহুম মায় পাকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিঞ্জেন্ট অদুদা কুমজা ২০১৫দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদনা কিলোগ্রাম ৬৩.৫গী কেটগোরিদা শরুক য়ারিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মেদল ৫রক ফংবা ঙমখ্রবা শিবথাপা য়াওরি। মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা বাউটতা হয়েং কেনিয়াগী বোক্সর ভিক্টর ওদিয়াম্বো নিয়াদেরাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা দিপক কুমারনা অহানবা বাউটতা হয়েং কির্গিষ্টানগী বোক্সর অজাদ উসেনালিয়েবকা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী মতুংদা থা অসিগী ২৭তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা অনৌবা বোক্সর গোবিন্দ শাহনিনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা ইক্বাদোরগী বোক্সর বিলি জুৱাগা থেংনগনি। কিলোগ্রাম ৫৪দা ইন্দিয়াগী অসিশ কুমারনা জর্মনিগী ওমারগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 270

**IM Wang Chen (2507) - FM Xiong,Jeffrey (2331)**
**Bay Area International 2014 Santa Clara USA, 2014.01.03**

1.e4 c6 2.Nc3 d5 3.Nf3 Bg4 4.h3 Bxf3
5.Qxf3 e6 6.d4 dxe4 7.Qxe4 Nf6 8.Qd3 Bd6
9.g3 O-O 10.Bg2 Nbd7 11.O-O Qc7 12.b3 Rad8
13.Bb2 a6 14.Rad1 c5 15.d5 Rfe8 16.dxe6 Rxe6
17.Nd5 Qb8 18.Rfe1 Rde8 19.Rxe6 Rxe6 20.f4 Qe8
21.Kh2 Nxd5 22.Qxd5 b5 23.Qc6 Qe7 24.Be5 Bxe5
25.Rxd7 Qe8 26.Qd5 Bf6 27.Ra7 Qf8 28.Ra8 Re8
29.Rxa6 Rd8 30.Qc6 b4 31.Ra7 Rd2 32.h4 h5
33.Kh3 Kh7 34.Be4+ Kh6 35.Bd5 Qd8 36.Bxf7 Qd4
37.Qf3 g6 38.Bxg6...

**QUESTION :**

**White to Win**

**Puzzle 269 Ans. :**

33. ...Ra1 Opening the line from e2 to e1. 34.Rxa1 Nd1
35.Kg2 e1=Q
33. ...Ra1 34.Rxa1 Nd1
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com